# স্পোর্টসকী শেঞ্জা-থুমজা থিগৎনবা সি বী আইগী স্পিসিয়েলাইজ য়ুনিট থম্লগনি

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১৫:* স্পোর্টসতা শেঞ্জা-থুমজা তৌবগী চাং হেনগৎলকপা উবদগী সি বী আইনা অথুবা মতমদা স্পিসিয়েলাইজ য়ুনিট অমা লিংখত্তুনা স্পোর্টসকী হাবী-জাবী, ফিক্সিং অমসুং আইন কায়না শেল থানবা অসিনচিংবা হীরম কয়াগা মরী লৈনবা কেসশিং লৌখৎলগনি।

যুমশকৈশা নুমিত্তা নিয়ু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা ফিফা-ইন্টরপোল নেস্লেল ৱার্কশোপতা ৱাফম অসি লাউথোক্লদুনা সি বি আইগী দিরেক্টর রঞ্জিত সিনহানা লিগেল ফ্রেমৱার্ক অমা লৈতবা হায়বসি স্পোর্টসকী শেঞ্জা-থুমজাগা মরী লৈনবা কেসশিং থীজিনবদা অচৌবা পল অমনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

সিনহানা মহাক্কী নুংগী ওইবা ৱারোল পীবদা হায়খি, ''সি বী আইদা লৈরিবা ঐখোয়না, মপুঙ ওইনা স্পোর্টসতা শেঞ্জা-থুমজা তৌবগী চাং হেনগৎলকপা অমসুং মরু ওইনা ফুটবল অমসুং অতৈ অতোপ্পা স্পোর্টশিংদা শীংনরক্লিবশিং অসি চপ চানা খঙলে... য়াম্না থুনমক ঐখোয়না স্পোর্টসকী হাবী-জাবী থিগৎনবা য়ুনিট অমা স্পিসিয়েল ক্রাইম ব্রাঞ্চকী মখাদা লিংখৎলগনি।''

য়ুনিট অসি স্পোর্টসতা শেঞ্জা-থুমজা তৌবগী অরোনবা ঈ-পাউ অমসুং দাতা খোঙজিনফম অমা ওইনা মথৌ তৌগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, ''য়ুনিট অসিনা মালেমগী অতৈ লো ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংগা মরী লৈনগনি অমসুং ষ্টেটশিংগী পুলিস ফোর্সশিংগা ঈ-পাউ ফাওননবা নোদেল এজেন্সি অমা ওইনা মথৌ তৌগনি। মেটচ ফিক্সিং অমসুং অরানবা থৌওংশিং লাকশিন্নবা মতীক-মঙমশিং অদু শেমগৎনবগীদমক্তা স্পোর্টস ফেদরেসনশিংগা মরী লৈননবা অমসুং খুৎশম্নবা চৎমিন্ননবা হোৎনবা হায়বসিনা ঐখোয়গী ঈথৌ ওইগনি।'' স্পোর্টসতা শেঞ্জা-থুমজা তৌবা থিগৎনবা লিগেল ফ্রেমৱার্ক অমা লৈত্রিঙৈ অসিদা য়ুনিট অসিবু মথৌ তৌহন্নবা করম্না থৌরাং তৌরিবনো হায়বা ৱাহংদা, সি বী আইগী ওফিসিয়েলশিংনা স্পোর্টসতা শেঞ্জা-থুমদা তৌবা লাকশিন্নবা লো অমা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা দ্রাফ তৌবা লোইশিল্লক্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

সেনিয়র ওফিসিয়েল অমনা পাউগী এজেন্সি অমদা হায়খি, ''ঐখোয়না য়ুনিট অসি লিংখৎনবা প্রোপোজেল অমা সেন্ট্রল গভর্নমেন্টতা থাগৎকনি। লো অসি লৈত্রবসু স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা প্রোপোজ তৌরিবা লো অসি চৎনবা হৌদ্রিঙৈদা, ঐখোয়না ইং ২০০২দা ক্রিকেটকী মেটচ ফিক্সিংদা তৌখিবা অদুগুম্বা ইনক্বারিশিং চথবা ঙম্মী। লো লৈরবা মতমদা প্রোপোজ তৌগদবনি।''

মেটচ ফিক্সিং অমসুং স্পোর্টসকী হাবী-জাবী মখল কয়ামুক মরু ওইনা ক্রিকেটকী মতাং অসিদা মহুম শাদুনা লৈরি হায়না সিনহানা ফোঙদোকখ্রে।

সি বী আইগী মকোক অসিনা হায়খি, ''লৈবাক অসিদা শেল থানবগী নেটৱার্কশিংনা য়াম্না হৈ-শিংনা অমসুং মায় পাক্না ওপরেট তৌরি হায়বসি ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সি পুম্নমক্না খঙনরবা ৱাফম্নি। অপীক অপীকপা টাউন ফাওবদা মখোয়গী মশা-মরেং শন্দোক্লক্লি।''

শেল থানবগী সিন্দিকেটশিং অসি কম্যুনিকেসন টেক্নোলোজি চাওখৎলকপদগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎলক্লে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, ''লো ইনফোর্সমেন্টকী মীৎয়েংদগী য়েংলবদি ইন্দিয়াগী স্পোর্টসতা শেঞ্জা-থুমজা তৌবা অসি শুপ্পগী ক্রিকেট খক্তদনি হায়না লৌবা লানগনি। ওর্গেনাইজ তৌরবা শেল থানবগী রেক্কোট অসি অনৌবা মায়ওন অমা হোংলক্তুনা ফুটবললোমদসু মীৎয়েং চঙশিল্লক্লবা মরম্না ফুটবল ৱার্ল্ডনা মপাঙ্গল কল্লবা য়েক্লবা অমগা থোঙ্গাইনরকপা তারি।''

ইকুই কুইদনা শিঙ্গাপোরদা শেল থানরম্বগী ফাখিবা মীওই খরা অদু ইন্দিয়াদগী হৌখিবা ঙাক্তনি অমসুং অসিগুম্বা কাঙবু অসিনা ইন্দিয়াদা মখোয়গী ওপরেসনগী মফম হোংলকপদা মতম কুইনা চঙলোই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখ্রে।

ওল ইন্দিয়া ফুটবল ফেদরেসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট শুব্রতা দত্তনা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা, ইন্টরপোল অমসুং সি বী আইগা খুৎশম্নুনা থবক তৌমিন্ননবগীদমক্তা ফুটবলগী হাউস অসিদা এন্টি-করপসন য়ুনিট অমা লিংখৎনবা মহাক্না এগজিক্যুটিভ কম্মিটি মিটিংদা প্রোপোজ তৌরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।